# এফ এস সীনা এফ সী ককচীং থোইখ্রে, কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী আর এফ সীগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে



ককচীং, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ এস সী ককচীংনা এফ সী ককচীং খুনৌবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই আর এফ সী হিয়াংলমগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ৬না লম্বা তৌনদুনা গ্রুপ অমমম্দা টিম ৩/৩ খায়দোক্তুনা শান্নরকপনি। গ্রুপ এগী ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫দা শান্নখিবা অনীশুবা লীগ মেটচতা এফ এস সী ককচীং অমসুং এফ সী ককচীং খুনৌ শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা পুংখায় অমরোমগী মতম টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা এফ এস সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ সুকাসনা এফ সীগী মায়োক্তা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইশিনখিবা ফাওবদা এফ এস সীগী পাঞ্জল অদুনা মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাফকী অপীবা মতম অদুদা এফ সী ককচীং খুনৌগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা অরৈবা পাঙ্গল পুথোকখি। অমরোমদা, অহানবা হাফতা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এফ এস সী ককচীংগী দিফেন্দরশিং অদুনা মায়োক্লবা টিম অদুগী এটেকশিং অদুয়াম্না চেকশিন্না মায়োক্লখিবদগী মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহানবা হাফকী পাঞ্জল অদুনা লোইশিন্দুনা এফ এস সী মায় পাকখি।

গ্রুপ এদা এফ এস সীনা ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা টিম অদুগী মায়কৈদগী লীগকী মেটচ ২ শান্নবদা অহানবা ওইনা মায় পাকখিবনি। গ্রুপ অসিগী ওইনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোংগী মায়কৈদগী মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা আর এফ সী হিয়াংলম অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফকী ২৩শুবা মিনটতা আর এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ ঈ বিরেন্দ্রকুমারনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীবু মখোয়না পাঞ্জল ১ হেল্লগা লৈখি। বিরেন্দ্রকুমারগী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদুদা অতোপ্পা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী আর এফ সীনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীবু ১-০দা হেল্লগা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্মখিদে। অহানবা হাফতা আর এফ সীনা পাঞ্জল ১ চনখিবা অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অৱাবা নংদুনা মখোয়না হোৎনখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা আর এফ সী হিয়াংলমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জর্সি নম্বর ১১ ঈ বিরেন্দ্রকুমারনা অমুক্কা হন্না টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাইবু ২-০দা থোইখি। গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা আর এফ সী মমাংদা মেটচ ১ মায়থীখ্রবা মতুং পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরি।

# টিমগী হোৎনবা কনবনা ট্রেনিং কেম্পকী কান্নবশিং অদু অর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌবদা উখোকপা ঙমখি : নিলাকান্ত



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমদা এটেক্কিং মিদফিল্ডর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা এস ঐচ নিলাকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, টিম অসিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না ট্রেনিং কেম্পশিংদা হোৎনখিবা অদুগী কান্নবশিং অদু হন্দক্তা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌনবদা মপূং ফানা উখোকপা ঙমদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়খি।

কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদুগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা হৌখিবা চহী অদুগী অয়াম্বা শরুক কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা কম্পিটিটিভ ওইবা ইন্টরনেসনল মেটচ অমত্তা শান্নবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোয়শিং বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা য়াম্না অকনবা ট্রেনিং চত্থদুনা লাকখি। ট্রেনিং অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী শান্নরোয় পূম্নমক্না থৱায় হকচাং য়াওনা কোচ গ্রাহম রিদকী চেকশিন মীৎয়েং মখাদা হোৎনবা কনখিবা অদুগী মহয় অর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচশিং অদুদা উখোকপা ঙমখি। প্রেক্টিস মেটচ অনী হান্না শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অর্জেন্টিনাবু অহানবা মেটচতা মায়থীবা পীরবা মতুং অনীশুবা প্রেক্টিস মেটচ অদু দ্রো চৎপা ঙমখি।

টিম অদুনা প্রেক্টিস তৌখিবা অদুগী কান্নবা অদু ময়েক শেংনা অর্জেন্টিনাগী সিটি বুইনোস আইরেসতা উখোকপা ঙমখি। ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্জেন্টিনাগা অহানবা প্রেক্টিস মেটচ অনী শান্নরবা মতুং ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা মালেমগী ওইনা মকোক থোংবা হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা হোক্কী প্রো লীগকী মেটচ অনী লম্বা তৌনবদা অর্জেন্টিনাবু ইন্দিয়ানা মেটচ অনীমক থোইবা ঙমখি।

অহানবা প্রো লীগ মেটচ অদু অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি শুট আউটতা ইন্দিয়ানা অর্জেন্টিনাবু ৩-২দা থোইবা ঙমখি। থংনবা নুমীৎতা প্রো লীগ অদুগী মখা তানা শান্নবা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা হান্নগী মশান্না অদুদগী হেন্না ফজবা ঙমদুনা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইরগা লীগ অসিদা ফজবা ঙল্লি।

নিলাকান্তনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবা ওইনা হৌখিবা চহীগী হৌরকপদা হোক্কী প্রো লীগকী রাউন্দ ৩ শান্নখিবদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়ম, নেদরলেন্দস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনখিবা মেটচশিং অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা ঙমখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু লৌদুনা লৈরিঙৈ কোভিদ-১৯গী অথিংবা লাকপদগী বেঙ্গলুরুদা ট্রেনিং চত্থদুনা লৈখিবনি। অর্জেন্টিনা টুর অদুদা নিলাকান্তনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টুরগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। জুনিয়র টিম য়াওরম্বদগী সিনিয়রগী থাক্তা শান্নরিবা নিলাকান্তনা মখা তানা ফজনবা হোৎনগনি হায়খি।

# ওল ইন্দিয়া জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ য়েথোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীদা লৈবা টালকটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ওল ইন্দিয়া জিট কুনে-দো মার্সিএল আর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২১ দেল্লীদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপদগী লোকদাউন থল্লকপনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লে হায়না ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মসিগা মরী লৈননা জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়না খনখ্রবা অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংসু জিট কুনে-দো মার্সিএল আর্টস ফেদরেসন ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তাবা চেরোল থোরক্ত্রিবা ফাওবা য়েথোক্লে হায়না জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

# অহানবা ফুটসাল টুর্নামেন্ট য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মথং থাগী ২দগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অহানবা ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১ কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী মতুংইন্না পোজিটিভ ওইবা কেস কয়া লাকপদগী মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা সেদ্যুল্ডশিং অদু লৈঙাক্কী অয়াবা মতুংইন্না খঙহল্লক্লগনি হায়রি।

# মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট য়েথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (দি এ বি বি এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনামদা ৮শুবা মণিপুর লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু হৌজিক লৈরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ও বিক্রমজিৎনা প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট অসি মথং থাগী ৯দা ওইনাম মমাং লৈকাই লাইফম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না দি এ বি বি এনা ঙসি ৱারেপ অমা লৌরে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়াগদবা বোদি বিল্ডরশিংনা মখোয়গী মরেপ ওনবগী নুমীৎ অদু মে ৮গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা কন্টেষ্ট পাঙথোকফম ওইরিবা ওইনাম মমাং লৈকাই লাইফম কম্যুনিটি হোলদা লাক্লবা পাউজেল পীরক্লি। লোয়ননা ষ্টেট লেভেলগী ওইবা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট অসিবু মপূং ফানা পাঙথোকপদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ষ্টেট লেভেল কম ট্রাইয়ল সেলেক্সন লোইশিনখ্রে



নম্বোল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস): কে আই এফ আই এসোসিএসন(কুদো ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ইন্দিয়া)না শীন্দুনা চহীসিগী জুন ৯দগী ১২ ফাওবা গ্রিন হিলস কোলেজ ওফ এঞ্জিনীয়রিং, হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা কুদো নেসনল টুর্নামেন্ট ২০২১দা শরুক য়ারুনবা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা মণিপুর টিম শেম্নবা ট্রাইয়ল কম সেলেক্সন অমদি ফষ্ট ষ্টেট লেভেল কুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১, ইবুধৌ খোরিফাবা হরাওবুং নম্বোলদা কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাং লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা এন ঈ এস কে সীগী টেক্নিকেল দিরেক্টর সেনশৈ দেবেন মোইরাংথেম, কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী এদভাইজর টি ঐচ নোরেন্দ্রো, প্রসিদেন্ট সেনশৈ ডা. ঐচ রোমেন, ৱর্কিং প্রসিদেন্ট জি এম, এন জি জিট খুমনচা, ভাইস প্রসিদেন্টশিং কে বাবু অমদি এম রঞ্জিৎ, ট্রেজরর জি এম ডা. রোশননা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী শান্নরোয় নুপা অমসুং নুপী, পূন্না ১০৩না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ৩০, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ২ লৌদুনা টিম ৱিন্নর ওইখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ১৩, সিলভর ২, বিষ্ণুপুরনা গোল্ড ১২, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ২; ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ৫, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১; কাংপোকপীনা গোল্ড ১, ব্রোঞ্জ ১ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা গোল্ড মেদল ফংলবশিং অসি লাক্কদৌরিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্বদা য়াওরগনি হায়রি।

# টোকিও ওলিম্পিককী নুপীগী ফুটবোলদা য়ু এস এনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং স্বিদেনগা গ্রুপ পূনখ্রে

টোকিও, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না শেম শারিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী ফুটবোলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা য়ু এস এগী টিম ওষ্ট্রেলিয়া, স্বিদেন অমদি ন্যু জিলেন্দগা পূন্না গ্রুপ অমদা লৈমিন্নখ্রে।

ঙসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ফুটবোলগী দ্রো লাউথোকপদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি ওলিম্পিক্সকী নুপীগী ফুটবোল টাইটল ৪রক লৌবা ঙমখ্রবা য়ু এস এগী টিমনা ওষ্ট্রেলিয়া, স্বিদেন অমদি ন্যু জিলেন্দগা গ্রুপ পূনখিবনি। অমরোমদা, নুপাগী কাঙলূপ্তা কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিককী চেম্পিয়ন ব্রাজিলনা জর্মনিগা গ্রুপ পূন্দুনা লম্বা তৌনগদৌরি।

# ইবুধৌ খল্লাংবা কপ ২০২১ য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস): দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শীন্দুনা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা চত্থরকপা ৭শুবা ইবুধৌ খল্লাংবা কপ ২০২১ লল্লাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপদগী পোজিটিভ ওইবা মশীং য়ামখৎলকপা মরম্না মখা তাবা মেটচশিং অদু য়েথোক্লে হায়না টুর্নামেন্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট মে ১০ ফাওবা য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪রকশুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী হেনগৎলক্লিবা কেস মশীং অসিনা মরম ওইদুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লম্বা অদু মথং থাগী ১০ ফাওবা য়েথোক্লে হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরক্লি।

অস্ফাগী মায়কৈদগী ঙসি থোরকপা মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী ২৭শুবা মেটচ অদু মে ১০দা শান্নবা পান্দম থল্লি। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওরগা মখা তাবা শেমদোক্লবা ফিক্সর অদু পীরক্লগনি হায়রি।

# য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা লৈবাক অদুগী বুন্দেসলিগাদা বেয়র লেবরকুসেন থোইদুনা মখা তানা মাঙজিল থারি

BUNDESLIGA



বর্লিন, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা জর্মনিগী নেসনল ফুটবোল লীগকী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাদা বেয়র লেবরকুসেনবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা রাসেনবোলস্পোর্টস লৈপজিগতগী রাউন্দ ৩০ লোইরকপদা পোইন্ট ১০ হেল্লগা মখা তানা মাঙজিল থারি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী ১৪দা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা বেয়র্ন ম্যুনিক ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগা লম্বা তৌনবদা ১-০দা মায় পাকপা ঙল্লবসু অহানবা লেগতা পি এস জিনা মখোয়বু ৩-২দা থোইখিবনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৩/৩ মান্নরবসু পি এস জিনা অৱে গোলদা মায় পাকপা ঙমদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা চঙলগা বেয়র্ন ম্যুনিক লৈহৌবনি।

বুন্দেসলিগাগী ঙরাং শান্নখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিক বেয়র লেবরকুসেনগী মেটচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙল্লিঙৈ বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী মেটচকী ৭শুবা মিনটতা ইরিক মেক্সিম সোপো মোটিংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা বেয়র লেবরকুসেনবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিকনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা বর্লিনদা লৈবা অলিয়ান্স এরেনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং মেটচ অদুগী মখা চত্থরকপা মিনট ৬কী মনুংদা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী জোসুৱা কিমিশনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বেয়র লেবরকুসেনগী টিম অসি মমাংদা শান্নখিবা রাউন্দ ২৯ লোইশিল্লকপদা মেটচ ১৩ মায় পাক্লগা মেটচ ৮ দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ ৮ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা টিম ১৮গী লম্বা অদুদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা মখোয়গী ২৯শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মেটচ ২১ মায় পাকপা ঙমখিবা লোয়ননা মেটচ ৫ দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬৮ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মখা তারকপা অহানবা হাফকী লেমহৌবা পুংখায় অমা হেনবগী মতম অদুদা পাঞ্জল ২ শোত্থরবা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী হৌরকপদা পাঞ্জল ২ শোত্থরবা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়না হেন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোকখিদনবা হোৎনরকপা অদু মায় পাকপা ঙমদুনা শান্নবা অদুগী অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদু লোইশিল্লকপা ফাওবা মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চলহন্দনা মেটচ অদু মখোয়না বেয়র লেবরকুসেনবু ২-০দা থোইদুনা বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩০ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭১ ফংদুনা মখা তানা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অতোপ্পা মেটচ অমদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা ওক্সবর্গকা লম্বা তৌনখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা যূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ দোইটস বেঙ্ক পার্কতা শান্নখি। মেটচ অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নখি। শান্নবগী পুংখায় অমা লোইশিল্লকপা ফাওবা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী ৩৭ শুবা মিনটতা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী দাইচি কামাদানা য়াম্না ফজনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট মার্টিন হিন্টেরেগরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং ওক্সবর্গকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট মমাংগী রাউন্দ ২৯ লোইশিল্লকপদা মেটচ ১৪ মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ ১১ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট ৫৩ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ওক্সবর্গ মেটচ ২৯ শান্নবদা ৯ মায় পাক্লগা মেটচ ১৪ মায়থীবা নংখিবা অমদি অতোপ্পা মেটচ ৬ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩৩ ফংবগা লোয়ননা টেবলগী ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাবা ঙল্লবা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা ফজবা হেল্লকখিবা তাঞ্জা অমদা টিম অদুগী ফিলিপ কেষ্টিকনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা এন্দ্রি সিলভানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-০দা থোইখি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT

TENDER NOTICE No. 23
Date, Imphal the 20th April, 2021.

The Executive Engineer, Electrical Division No.I, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form-7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of PWD, Manipur, the bid shall be opened on 28/04/2021 upto 2 p.m for the following works :-

| SL.No. | Name of work. | E/Cost. | E/Money |
|---|---|---|---|
| 1 | Major Renovation of Govt., Qtrs No. T-VII/No. 2 at Kanglapat.(SH:- Renovation of IEI in the Govt., Qtrs. No.-T-VII/No. 2 at Kanglapat). | Rs. 4,24,039/- | Rs. 8,481/- |

The Cost of T/Form is Rs. 500/- & Time allowed will be 20 days. Application for purchase of tender forms may be submitted upto 12.00 noon of 26/04/2021. The terms & conditions for purchase of tender forms can be had from this office from 11.30 am to 4.30 pm on any working day upto 27/04/2021.The earnest money should be deposited in the form of demand draft/D-at Call drawn in favour of "Executive Engineer, Electrical Division No. I, PWD, Manipur" from any nationalized/schedule bank of India.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Divn. No.I,
PWD, Manipur.

HL-B/6941/22

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT

TENDER NOTICE NO:- 24
Dated/Imphal, the 21st April, 2021.

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 6th May, 2021 up to 3.30 PM.

| Sl. No. | Name of work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Impvt. of IEI i/c replacement of existing fixtures by energy saving lamps & MCCB's DB in the security barrack for Treasury Office and security lighting at Jiribam. | Rs. 13,56,182/- | Rs. 27124/- | Rs. 500/- | 20 days |

The tender will be opened by the undersigned on 6th May, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 30/04/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 04/05/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No. II.
PWD, Manipur.

HL-B/6941/22

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com